ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




দলিট সাহিত্য একাদেমি, মণিপুরনা শীন্দুনা কুমজা ২০২৫গী নেশনল অমসুং ইন্টরনেশনল এৱার্দশিংবু ওকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা এদভোকেট অহোংশাংবম সুরেন্দ্রকুমারবুসু তরাম্না ওকপা


লৌশিং পূক্কে : হকচাংগী অরুম্বা হন্থহনবা অমদি... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ আই এন বি এ ইন্দিয়া নেশনল পাঙথোক্লগনি

লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ খুদক্কগী এম্বুলেন্স মথৌ পাঙথোকপা য়ানবা...

ক্রিমিনেল কেস মায়োক্নুরিবা মিনিষ্টরশিংবু ফমদগী... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ ‘পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা মশান্নশিং নহাশিংদা...


এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মহাক্কী লোকল এরিয়া দিভেলপমেন্ট স্কিম ২০২৪-২৫দগী মণিপুরগী রেদ ক্রোসকী ব্রাঞ্চ তরেৎতা এম্বুলেন্স তরেৎ পীরকপদা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকীসু য়াওরকপদা হরাওনা লৌশিনখিবা




Vol. 49, Issue No. 147 | শগোলশেন, লাংবনগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, August 28, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# ঙসি মণিপুরদা লাক্কনি থৌরাংলম্বা হোমগী ষ্টেট মিনিষ্টরগী খোঙচৎ কেন্সেল তৌখ্রে মহাক্কী খোঙচৎ তোকখিবনা নরেন্দ্র মোদি লাক্কনি হায়বা ৱাফম মমি শান্নক্লে

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাকপগী ৱাফম লৈখাই তাদ্রবসু নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা অসামদা মথং থাগী ১৩দা চৎকদৌরি

হুইয়েন ব্যুরো





প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমার (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা ওগষ্ট থা অসি লোইশিল্লকপগা লোয়ননা থংনবা মথংগী সেপ্টেম্বর থাদা নৎত্রবসু ওক্টোবরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মণিপুরদা লাক্কনি হায়বা ৱাফমদগী মহাক্কী খোঙচৎকী মাঙওইননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেরসকী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমার হয়েং মণিপুরদা লাক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্লবসু কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরদা লাক্কনি হায়বা ৱাফম লৈরকপগা লোয়ননা মহাক্কী মাঙওইননা য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর অসিসু হয়েং লাক্কনি হায়বদগী থা অসিগী ১৯দা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা চৎখিবা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মহাক্কী খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোক্ত্রিঙৈদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা হেলিপেদ অমসুং চুড়াচান্দপুরগী লমকাগী হিয়াংতমদা লৈবা য়াওনা পব্লিক গ্রাউন্দ অনীগী ফীভম য়েংশিনখিবনি। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগসু ক্লোজ দোর মীটিং অমা পাঙথোকখিবনি।

গভর্ণরনা চুড়াচান্দপুরদা হেলিপেদ অমসুং পব্লিক গ্রাউন্দ অনীগী ফীভম হকথেংননা য়েংশিনখিবা অদুমক্না মণিপুরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লাক্লগা ইম্ফালগী কংলা অমসুং চুড়াচান্দপুরগী পব্লিক গ্রাউন্দ অমদা পাঙথোক্কদবা মীয়ামগী মীফমদা শোয়দনা ৱা ঙাঙলগনি হায়বা ৱাফম মীয়াম্না অমুক্কা হেন্না থাজনখিবনি।

অমরোমদা, হোম মিনিষ্ট্রিনা মাঙজৌননা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না হয়েং মিনিষ্ট্রি অসিগী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর বন্দি সঞ্জয় কুমারনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকী মাঙওইননা ষ্টেট অসিদা লাক্লগা লো এন্দ ওর্দরগী য়াওনা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌদুনা য়েংশিল্লগনি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ মনুংদা পাঙথোক্লমগদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ‘আই-এম’ ১সুং ‘জেদ য়ু এফ’ অমুক্কসু কাপ্নখ্রে খুঞ্জা নুপীশিংনা খূৎ থোক্নবা লেপ্নবা খঙহনখ্রে



**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :**

ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক চলাইরকপদগী মে ৩, ২০২৩দগী চত্থরকখিবা বোম অমসুং নোংমৈগী লান নেমথরক্তুনা মীয়াম্না বোম পোকখায়বা অমসুং নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল তারক্ত্রবা মতুং ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী নুঙবা পুলিস ষ্টেশননা কোনবা বৌরুৱাং হায়রগসু খঙনবা তৌদাইজাং খুলগী মফম অমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সিজফায়র তৌনদুনা পীস টোক তৌনরক্লিবা এন এস সী এন-আই এমগী কাদরশিংগা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট (জেদ য়ু এফ) কী লান্মী শঙলূপ জেলিয়াংরোং টাইগর ফোর্স (জেদ টি এফ) কী কাদরশিংগগী মরক্তা অকনবা মওংদা খূৎ থোক্নখ্রে।

থৌদোক অসি নুঙবা পি এসনা কোল্লিবা তৌদাইজাং খুলদগী কিলোমিটর অমরোমদমক লাপ্পনা লৈবা উমংগী শরুক অমদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিবু হকথেংনহৌবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না নাকল অনীমক্না লেপ্তুনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা খূৎ থোক্ন বগী থৌদোক অদু অয়ুক পুং ১০ রোম তারকপদগী হৌরগা পুং ১১.৩০ রোম তারকপা ফাওবা চত্থখি। হায়রিবা পুং ১ মখায়রোমগী মতমসিদা অনকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল লেপ্তুনা তাখি হায়রি।

অদুম ওইনমক থৌদোক অসিদা খূৎ থোক্নরিবা লালহৌলূপ অনীগী মীওইশিং অমসুং হাইদোরকপা মরূনা খুঞ্জাশিং পান্দুনা শোকহনবগী পাউ লৈখিদে। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা কুইনা খূৎ থোক্নরকপদগী তৌদাইজাং অমদি খুল অসিগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজ-পি য়ু সী এলনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা পুথোরকপা রিপোর্টতা মীয়াম খম থেংনা শাওরে

## পি য়ু সী এলনা লাল্লে হায়জগদবনি অমসুং খুদক্তা ৱিথদ্রো তৌগদবনি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২০দা দেল্লীদা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজনা ‘ইন্দিপেন্দেন্টস পিপল ত্রাইব্যুনেল ওন গোয়িং এঠনিক কনফ্লিক্ট ইন মণিপুর’ হায়না মিংথোনবা রিপোর্ট অমা পুথোরক্তুনা মীতৈশিংবু অরানবা তাহনবগী থৌওংবু ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা অকনবা মওংদা



য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট কবিদা শ্রীবাষ্টাবাদা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## মীওই লিশীং ৩ হেনবনা পুলিসতা এফ আই আর লোজ তৌরগনি : লৈশেম্বা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** ঐখোয়গী ফুরুপ্পু লান্না উহন্নবা হন্দক পি য়ু সী এলনা অরানবদা য়ুম্ফম ওইবা রিপোর্ট অমা ফোঙলক্লিবসি হকচিন্না লৌই অমদি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়রদুনা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা রিপোর্ট অসিগী মায়োক্তা মৈরা পায়বী, ক্লব/ওর্গনাইজেশনশিং য়াওরগা মীওই লিশীং ৩ হেনবনা পুলিস ষ্টেশনশিংদা এফ আই আর লোজ



তৌনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ভারত রত্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পি য়ু সী এলগী রিপোর্ট আই দি পিশিংবু উশিত্তবনি : আই দি পিশিং

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** কুকিশিংনা হৌরল্লিবসি মে ৩, ২০২৩দগী খক্তা নত্তে, চহী অদুগী এপ্রিল ২৭তা শঙ্গানবা থৌরাংখিবা জিম থুগাইখিবনি। চুড়াচান্দপুরগী লম্বীদা



থম্বা সী সী টিভি কেমেরাশিং মখোয়না লোইনা থুগাইখি। এপ্রিল ২৯দা থিঙ্কাংফাইদা ইবুধৌ পাখঙবগী লাইশঙ থুগাইখি হায়রদুনা হন্দক পি য়ু সী এলনা ফোঙদোরক্লিবা রিপোর্ট অসি অরানবা ৱাফমনি অমসুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## আর পি আই (এ) না পুলিসতা কমপ্লেন্ট ফাইল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২০দা দেল্লীদা পিপলস য়ুনিয়ন ফোর সিভিল লিবর্টিজ (পি য়ু সী এল) না মণিপুরদা থোরক্লিবা লান অসিগী মরীক চুম্বা



রিপোর্টনি হায়দুনা পুথোরকখিবা রিপোর্টতা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লদুনা য়ুনিয়ন অসিগী মায়োক্তা ঙসি আর পি আই-এনা ইম্ফাল পি এসতা কমপ্লেন্ট রিপোর্ট অমা ফাইল তৌখ্রে।

পার্টি অসিগী মায়কৈদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## পি য়ু সী এলগী রিপোর্ট অসি মণিপুর থুগায়নবনি : এন পি পি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** পি য়ু সী এলনা পুথোরকখিবা রিপোর্ট অসি চহী অনীগা থা ৪ হেল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসি লোইশিন্নবা লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না হোৎনরিঙৈগী তাঞ্জাদা শেমজিন শাজিন্দুনা পুথোরকপসি মণিপুর মীয়ামগী মায়োক্তনি। রিপোর্ট অসিদা মীতৈনা কুকিদা হান্না লান্দাবা হৌরকপনি হায়না পল্লি। থৌওং অসি য়ানীংদে হায়না এন পি পিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা চীফ স্পোক্সপর্সন অমসুং মীদিয়া কোওর্দিনেটরসু ওইরিবা ডা. এস ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

চুড়াচান্দপুরদা মশীং য়াল্লবা কুকিশিং অমসুং মখোয়গী খূৎলায় পায়বশিংনা লান হৌরকপা নুমিৎতা চৎখিবা রেল্লি অদুদা শরুক য়ারবা মতুংদা তোর্বুং, কাংভাই অমসুং ফৌগাকচাওদা লৈবা মীতৈগী য়ুমশিং মৈ থাবা হৌরকখিবনি। মে ২৭, ২০২৩দনা কুকিশিংনা সেরৌগী য়ুম ৩৬০গী মথক্তা মৈ থাখি অদুগা কাংচুপ, য়াইঙংপোকপী অমদি চীংখোঙ-চীংয়াদা লৈবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লৈঙাক্না হায়ৱেশিং শেমজিন্দ্রবদি এল পি জিগী অৱাবা মায়োক্নরক্কদ্রা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস):**

মণিপুরগী মরু ওইরিবা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) অমসুং এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) হায়ৱেগী লম্বী অমদি থোংশিং লৈঙাক্ন নীংথিজনা শেমজিনবীদ্রবদি মণিপুরগী মীয়াম্না চাকথোঙ গ্যাস (এল পি জি) মহৌশাগুম্না ফংবগী মহুত্তা থা ৩গী মনুংদা অমুক্তগী হেন্না ফংলরোইদ্রা হায়বগী ৱাফম থোরক্লে।

হায়ৱে অনীগী ফীভম ফরিঙৈদদি মথৌ তাবা গ্যাসশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নদবনি। অদুবু ঈৱাং অসিনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদদি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# লুপা ক্রোর ৪২৯ চঙনা শুগদবা থবকপু লুপা ক্রোর ২২৭না শুগনি হায়রিবসি মীয়ামদা করেম্নবনি: ফোরম

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** নেশনল হায়ৱে ১০২এগী শরুক ওইরিবা সংসক-তেংনৌপলগী লম্বী পাকথোকপা অমদি শেমজিনবগী থবক শুনবগীদমক লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ৪২৯দা টেন্দরগী কোষ্ট ওইনা থোক্লবসু লুপা ক্রোর ২২৭না থবক অসি শুগনি হায়না বিদ্দিং তৌরকপা ফার্ম অমদা শুহনগদৌরিবা অসি মীয়ামদা করেম্নবনি অমদি টেন্দর অসিগী থবক থৌরমশিং অমুক হন্না তৌগদবনি হায়না লম্বী পরিং অসিদা লৈবা খুল ২৫ হেনবগী মীহুৎশিংনা শেম্বা য়ুনাইটেদ সিনিয়র সিটিজেন ফোরম (ফুংয়র এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি দ্যুলালেন্দদা পাঙথোকপা পাউজী মীফমদা ফোরম অসিগী সেক্রেটরি দেভিদ জিমিকনা হায়, লম্বী অসি মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক পাকথোক্লবা অমদি শেমজিন্নবা লৈঙাক্না লৌখৎলকপা খোঙথাং অসিগীদমক রোদ ত্রান্সপোর্ট অমসুং হায়ৱেজ

### নমদুনা থবক শুহল্লক্লবদি মীয়াম্না কো-ওপরেশন পীরোই, চঙসু চঙহল্লোই, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গডকারি অমদি মরী লৈনবা ওফিশলশিংদা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে

গী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নিটিন গডকারি, গভর্ণর, চীফ সেক্রেটরি, ৱার্ক্স লোয়শঙগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, পি দব্লিয়ু দিগী চীফ ইঞ্জিনিয়রবু থাগৎলি । অদুবু মীয়াম্না য়াম্না হরাওনরিবা প্রোজেক্ট অসিগী থবক ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরগা তুং কোইনা চৎকদবা মওংদা শেমজিন শাজিনগনি হায়বদি টেন্দরদা বিদ্দিংগী ফীভম অসিনা থাজদ্রে হায়খি।

খুঞ্জাশিংনা প্রোজেক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## অমুক্কসু পুং ২৪গী মনুংদা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৩৫ থেংনরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস):**

ঙরাংসু পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা দেঙ্গিগী পোজিটিভ কেস ৩৮ থেংনখ্রবা মতুংদা ঙসিগী ওইনসু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিগী পোজিটিভ কেস ৩৫ থেংনরে হায়না লৈঙাক্কী হেল্থ সর্ভিসেস লোয়শঙদগী ফংবা পাউনা হায়রি।

নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা ২৭ থেংনবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৩৩৮ শুরে। অদুগা অনৌবা কেসশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা কেস ৬ থেংনবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগীসু অপূনবা কেস মশীং ৫৪শুরে।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ১ থেংনবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগীসু কেস মশীং ২৩ শুখিবগা লোয়ননা অনৌবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

পোক্সো কেসকী ৱায়েল

# নুপীমচা ১গী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবা পোক্তবা মপা অমসুং খঙশিন্নরমদবা মমা কোর্টনা ফাদোক পীরে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস) :** মণিপুর পীক্লবসু চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদা মীওৎ-মীনৈ চত্থবদা নত্তনা মশাগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীবগী তোঙান-তোঙানবা থৌদোকশিং থোরকপগী মনুং চন্না মশাগী অপোকপা লৈখিদ্রবা মতুংদা অপোকপী মমানা ময়ূম পানবা পোক্তবা মপানা হঞ্জিন-



### ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা য়াওবা পোক্তবা মপাগা তিন্নবা মীওই ১দি প্রোজিক্যুশননা ইভিদেন্স পুথোকপা ঙমদবদগী এক্বীট তৌখ্রে

হঞ্জিন ইকায়খুম্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম সী এস সী সী (মেন্স) এগজামিনেশন য়েথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস):**

এম পি এস সীনা লৌদুনা মথং থাগী ৯দগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কনি থৌরাংলম্বা মণিপুর সিভিল সর্ভিসেস কম্বাইন্দ কম্পিটিটিভ (মেন্স) এগজামিনেশন ২০২২ অদু তঙাইফদবা এদমিনিষ্ট্রেটিভকী ওইবা মরমশিংদগী য়েথোক্লে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হোকর এসোসিএশনদা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৭ (ঐচএনএস):**

মতম অমদা হোকর ওইরম্বা খোইস্নাম কোবা মীতৈগী লোয়নবী শরুংবম নিঙোল সনাহল লৈমনা মঙোন্দা সোশল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা পীবা ওল্ড এজ পেন্সনগী চহী ৩গী শেনফম তুংশিঞ্জদুনা থল্লকপা লুপা লিশীং ৪গী শেনফম্বু মণিপুর হোর্করস এসোসিএশনদা তেংবাঙ ওইনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# হোম মিনিষ্ট্রিনা ফ্রী মুভমেন্ট তৌহনগনি হায়খ্রবসু ফেল ওইদুনা লৈরক্লিবসিবু সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী দিমান্দ তূমিন্না পীখ্রবরা : সোমেন্দ্রো

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**

**হকথেংনবা পাউদম**

**শদু য়েংখুমানদগী খুঞ্জা**

**(ঙরাংগী মখা...)** হৌজিক ফাওবা চহী ২ হেন্না রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা ইম্ফাল ইষ্টকী শদু য়েংখুমানদগী লাইশ্রম সোমেন্দ্রোনা পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, শদু য়েংখুমানদা লৈবা ঐগী য়ুম অদুগা ঐনা ফমজবা চিক্কন সেন্টর অদুগগী মরক্তা মিটর ২৫০ রোম লাপ্লে। লান হৌরকখিবা নুমিৎ মে ৩, ২০২৩গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা ঐগী চিক্কন সেন্টর থোঙ লোনশিনখি। য়ূমদা চঙলগা নুমিদাংগী চাক চাগে তৌরিঙৈদা কুকি খরা ঐগী য়ূমদা চঙলক্লগা য়েন কেজি ৬ খক লৈগে হায়রখি। মখোয়গী ৱাফম অদুদা ঐনা য়েন অশেম্বদি লৈত্রে, শেমদবা ওইনা লৌরো হায়দুনা য়ূমদা য়োক্লিবা য়েনশিংগী মরক্তগী কেজি ৬ ফানবা ওল্লগা পীখি। অদুগা নুমিদাং পুং ৭ লোম তারকপা অদুৱাইদদি কুকিগা য়ূম লোন্নবা মীতৈশিংদু লাউ-খোঙদুনা চেনবগী মখোল তারকখি। করি তৌরবগে হায়দুনা থোঙ্গাল লোমদা থোক্তুনা য়েংলুবদদি কুকিগা য়ূমলোন্ননা লৈবা মীতৈ মচাশিং মাগী-মাগী থৱায় হিংনবা চেন্নবা উখি। গাড়ী লৈবশিংনা গাড়ীদা থৌরগা চৎনখি। তাঞ্জাদুদা ঐদি ইশাগী গাড়ী লৈজদবনিনা লৈকায়দা লৈবা টাটা গাড়ী অমদা ঐগী ইমা, ইপা অমসুং ইচাশিং তোংহল্লগা হান্না চেলহনখ্রে। অদুগা লৈকায়গী নুপাশিংনা খুল ঙাক্কনি হায়দুনা পূনশিন্নদুনা লৈহৌখি। অদুবু কুকিশিংদি নোংমৈ পায়বনিনা ঐদি ইচাশিংগীদমক খল্লগা চেন্থোরকপদা য়াওরকখি।

ঐখোয়না দোলাইথাবী দাম মপা য়ৌরকপদা ঐখোয়গী শদু য়েংখুমানগী মীতৈগী য়ূমশিং মৈরি থোক্না চাকপা উরকখি। য়ূমশিং মথং-মথং মৈ থারকপদগী ইমুংদা থম্বা চাক থোংনবা গ্যাস সিলিন্দরশিং পোকখায়বগী মখোলসু তারকখি। অদুগা নোংমৈ মরূ কয়ামরুম কাপ্পগী মখোলসু তাখি। কুকিশিংনা লান্দারক্কনি হায়বা মাঙজৌননা খঙহৌদবনা য়ূমদগী করিসু পুথোরকপা নংখিদে। ইশাগী য়ূম মৈ থাদুনা তাল্লকপদগী থম্মোয়দা নীঙমদবগী মৈচাক ফাওদুনা চেল্লক্লবা মতুং খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ থোকচোম লোকেশ্বরগী য়ূমদা চঙজফম লৌখি। এম এল এগী য়ূম অদুসু মায়কৈ কয়াদগী লাঞ্জেন্নরকখিবা মীতৈশিংনা পীক থনখি। নোংঙাল্লগদি খুরাইদা হাংবা রিলিফ কেম্প অমদা চঙদুনা মফম অদুদা থা অমমুক লৈরমখি। মদুগী মতুংদা পোরোম্পাৎতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা থা অনীরোম অমুক লৈখি। অহুল্লকশুবা ওইনা হৌজিক শওঙ্গুগী টেম্পররি সেল্টর হোমসিদা ঙসি ফাওবা য়ূমদা চঙবা ফংদনা লৈরকখিবনি হায়রকখি। (মথং-মথং)




HL-B/9813/28